# কনানসু থৌশাবীদ্রবা সিফাইশিংগী ইমুং

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

ফম অচৌবা পায়রবসু মফম-মরাং খঙদনা, ৱা পংঙাঙ-ঙাঙলবদি চোপ্পী। থৌদোক অদু ইশামক্লা সেক্রেটরি রাজ্য সৈনিক বোর্দকী এন্যুএল বোর্দ মীটিংদা থোকখি। বোর্দকী প্রসিদেন্ট অসি গভর্ণরনা ওইখি। মহাক্কী সেক্রেটরি মৈতৈ মচা অদুনা ওফিস অসিগী মরমদা ফজনা খঙদনা, গভর্ণরবু লান্না লমজিংবদগী বোর্দ মেম্বর ময়ামগী মমাঙদা গভর্ণর ইকায়বা নংখি। গভর্ণরনা অরানবা কয়া ময়ামগী মমাঙদা ঙাঙবদু তাবা ঙমদদুনা ঐহাক্লা গভর্ণর (শ্রী এস এস সিধু, আই এ এস) দা "Sir you are wrong. Whatever you said about my office is totally incorrect" মীটিং অদুদা য়াওরিবা মেম্বরশিংদুদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হায়েষ্ট রেঙ্কিং ওফিসর ঙাক্তনি। জি ও সী (জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং) আর্মিগী I.G. of Assam Rifles, Retired officers of three services, মখোয় পূন্নমকসিসু মীটিং অদুদা য়াওখি। মখোয় পূন্নমক্লা ঐঙোন্দা করম্বা মখলগী মীওইনো খল্লগা য়েংলকখিবা মীৎয়েংনি। গভর্ণরদবু করম্না হেক্তা নহাক লাল্লে হায়ববু- করম্বা মীওইবনা ঙম্বগে? অরানবা, চুমদবা, মীনম্বা ৱাফমদি খাঙদুনা তাবা ঙমদে ঐহাক্তি।

থৱায় হকচাং লূপ্পগা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎননবনিনা ঐহাক্লা কনাবুসু কিদে। অচুম্বগী মমাঙদা অরানবনা মিৎকুপ খরা ফাওবা লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। মণিপুর ষ্টেটকী এক্স-সর্ভিসমেন, ৱিদোজ অমসুং দিপেন্দেন্ট পূন্নমক্কী ওফিস অসিবু কনানসু হন্না য়েংবীদে। ওফিসর অমখক্লা কনাসু য়াওদনা মণিপুরগী মখোয় পূন্নমকপু য়েংবীবা হায়বসি অরাইবা থবক ওইখিদে। ঐগী পুন্সিদদি - শেন্বীবা মপু ফাওবা লাল্লি। মসিগী খুদম চাংদম মশীং থিবা ঙমদনা লৈজে।

Rajya Sainik Board (RSB) ওফিস অসি শেমগৎলকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওফিসরশিংনা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা মীটিংশিংদু মতম মাঙহনবা ঙাক্তা ওইখি। থবক ওইনা ওফিসর অমত্তনা মতেং পাংবীরক্তে। মীটিং অদুগী মিনট অদু কনানসু ইকায়খুম্নদে। মশানা মশাগী ৱাবু ইকায়খুম্নদবসি লমদম অসিগী চৎনবী ওইনা তৌরি। ন্যুদেল্লীদসু অদু মঙাই।

ওফিসর অসি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংদা থল্লি। ষ্টেট অসিনা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টতা হান্না নপ্লগা থল্লমখি, অদুগা হোম দিপার্টমেন্টতা কোন্না থমখি। ওফিসর অসিগী ষ্টাফকী ষ্ট্রেঙথ অসি ৩৬ ওইগদবনি হায়রগা ইরকপা লেটর অমা কনানসু থবক ওইনা পাঙথোক্তে। পঞ্জাব, হরয়ানা, রাজস্থাননচিংবা ষ্টেটতদি সিফাইশিং থবক পোত্থারগা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী য়াইফ থৌদাংগী মতেং পাংননবা তোঙান্না ষ্টেট মিনিষ্টর ফাওবা থল্লি। মণিপুরদদি তোঙান্না ক্লার্ক ফাওবা থম্বীদে। পুং ২৪ য়ু থকপা ক্লার্ক অমা হোম দিপার্টমেন্টনা থম্বীখি। হোম সেক্রেটরিগী কা অদুদা চঙলক্লে অদুগা য়ুনা পুমখৈ ঙাওরবনিনা থোকখিননবা থোঙদু খঙদদুনা থোঙনাওগী কর্টেনদা মখূৎনা হাইদোক্লগা অদুম লৈখিবদু হৌজিকসু মিৎতা উরি। কুমজা ১৯৯৮দা থোকখিবা থৌদোকনি, অঙকপা লৈবাকনি।

য়াম্না নেম্না রিজার্ভ কোটাদা পাস তৌরকখিবা ওফিসরশিংনা পীকখ্রবা লমদম অসি করপসনগী মরুম কোকহল্লি। নোংমৈ পায়রক্লগা লৈবাক্কী থৌগল তৌরকপা, মীওই অমত্তনা অসিগুম্বা মতিক চাখিদ্রবা কলম পায়বা অমত্তসু ব্যবহার তৌদে। মী পূন্নমকসি চপ মান্ননা উবা ঙমদবা, খনবা ঙমদবা জীবশিংনি।

রাজ্য সৈনিক বোর্দ (আর এস বি) গী দি দি ও অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীনা ওইরমখি। ঐহাক্লা জোইন তৌরবা মতুংদদি সেক্রেটরি, আর এস বিনা দি দি ও ওইজরে। আর এস বি ওফিস অসি লম্ফেলগী দি সী কমপ্লেক্সতা লৈরমখি হায়। কুমজা ১৯৯০গী জেনরেল ইলেক্সন রিজল্টকী মতাংদা ওফিস অদু মৈ থাবদা আর এস বি ওফিসকী দোক্যুমেন্টশিং, ফর্নিচর পূন্নমক মৈ চাকখি হায়বিখি।

কুমজা ১৯৯৯গী এপ্রিল থাদা ১৭ অসাম রাইফলসনা কংলাদা লৈরিঙৈদা এক্স-সর্ভিসমেনগী রেল্লি অমা পাঙথোকখি। মতম অদুদা Lt. Gen. AM. Vohra Corps Commander, Dimapur দগীনা চীফ গেষ্ট ওইখি। জেনরেল অদুদা ঐহাক্লা সী এস দি কেন্টিন অমত্তা ইম্ফালদা হাংদোক্লবগী হায়রুবদা য়াবীদুনা য়াম্না থুনা ত্রেজরি ওফিসকী নাকলদা হাংখি। কেন্টিন অদুদগী মথৌ তাবা পোৎ চৈ ফংবা ঙল্লে। কেরোসিন, সুগরনচিংবা পেমেন্টতা হোঙনা ফংহনখি। লৈমখোং চৎপগী মথৌ তারমদবনি। অফবা পূন্নমক্তু ফত্তবা খরনা মশাগীদা খল্লগা লোইনমক মাঙহনখি। দিসেম্বরগী তাং ৭ অসি দেশ পূম্বদা আর্মদ ফোর্সেস ফ্লেগ দে ওইনা ওবজার্ভ তৌই। নুমিৎসিদা অঙম অঙম্বা দোনেট তৌনৈ। মণিপুরদা Lt. Governor ওইরমখিবা D.R. Kohli, IAS গীদি খ্বাইদগী নুংঙাইবা থৌদোক অমা লৈখি। মহাকপু কৈদৌনুংদা কাউবা ঙল্লোই। ফ্লেগ দে নুমিৎতুদা ইহান হান্না রাজ ভবন চঙবদনা, মহাক তূপ্লি, কোন্না লাকউ হায়বীখি। মতম খরা, পুং খরা চঙলগনা ব্রেকফাষ্ট চারি হায়খি। অহুল্লক চঙলগা উন্নবদনা "লুপা অনীখক" দোনেসন বোক্স অদুদা হাপখি। ৱাফমসি সুবেদার মিসাও শাহেবনা ঐঙোন্দা থম্মোয় য়াম্না শোক্লা তল্লম্বনি। থাঙ্গৈশেংবনি। তশেংনা থোকখিবনি।

অসুম্না মণিপুরগী গভর্ণরদি Rs. 2000/-, Rs. 3000/-, Maximum Rs. 5000/- খক দোনেসন বোক্সতা থাদে। অদুগা নাগালেন্দগী গভর্ণরদি লুপা লিশীং ৫০ (Fifty thousand) চহী খুদিংগী দোনেট তৌরি। খেন্নবা অনীসি খঙবদা নুংঙাইগনি থাজদে। আর্মদ ফোর্সেস ফ্লেগ দেগী ফঙ্কসন অসি অতৈ ষ্টেটতদি রাজ ভবনদা পাঙথোকই।

মণিপুর অসি লানফমগা চপ মান্নবা খুন্নাইনি। থায়না মমাঙঙৈদগী হৌনা মণিপুর অসি পুমলাং-লাংদুনা ঙসি ফাওবা "হৈয়া-হে, হৈয়া-হে" লাউদুনা লৈরি। চহী তরেৎ খুন্তাকপা (অৱাগী লান), ৱর্ল্ড ৱার ২ (কুমজা ১৯৩৯-৪৫) গী মতমদা এল্লাইদ ফোর্সনা জপানিজশিংগা লান থেংনখিবগী তাঙ্কক, এঙলো মণিপুরী লান (খোংজোম দে), শম্না হায়জরবদা - খুন্নাই অসিদি লানগী লম ঙাক্তনি। লানফমদা খোঙদাদবা মীসু "অথৌবা" গী টাইটল পীরিবা খুন্নাইনি। মশানা মশাবু মতোমতা পংথাদা থাগৎচবা মীওইশিংনি। অঙকপা নৎতরা?

লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবশিংগী নীংশিং খুভম অমত্তা মণিপুরদা থমদ্রি। চহী খুদিংগী জুলাই ২৬ অমসুং দিসেম্বর ২৬ অসি আর এস বি ওফিস কমপ্লেক্সতা ইকায়খুম্নবগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। চহী ২০ হেন্না লৈবাক্কী মনুংদা তূমদুনা লৈরিবা সিৱেজ প্রোজেক্টকী তৌথোক-তৌশিন তৌবদগী ফঙ্কসন অনীমকসু অদুম থুপচিনখ্রে। থৱায় কৎখ্রবশিংগী ৱার মেমোরিএল শান্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনজরমখি। অদুবু মতেং পাংবীনবা কনাসু লৈতবদগী শারগা থল্লম্বা ঙমখিদ্রে। মখোয়গী মমিংশিংদু আর এস বি ওফিসকী ফক্লাংদা য়েল্লো কলরগী ব্লেকবোর্দ ওইরগা অমুবনা ইরগা থল্লমখি। লানদা থৱায় থাখিবা মীশিং ফাওবা ইকায়খুম্নদবা ঐখোয়গী ফুরুপনি। মখোয় ১২০ মুক্কী মফম অমত্তা লৈত্রি। কোইপাই পাইরি মখোয়গী থৱায়শিংদি। অসিগুম্বা ৱাখলসি কনা অমত্তগী থম্মোয়দা খন্থবিদবরা?

ফনা য়াম্না হোৎনজরম্বনি, মণিপুরগী এক্স-সর্ভিসমেন, ৱিদোজ অমসুং দিপেন্দেন্টশিংগী হীরম খুদিংদা। মেদিকেলগী সিট অমদগী কোটা অনী ওইহনবসু চেন চোংলগা হোৎনরগা ওইখিবা ঙাক্তনি। এক্স-সর্ভিসমেনগী আইদেন্টিটি কার্দ শারগা, ঐগী সিগনেচর মান্না শেল্লগা সর্টিফিকেট পীরম্বসু কয়া য়াওখি। পূন্নমক অদু ওফিস অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদি তশেংনা মমিৎনা উখিবা ঙাক্তনি।

খ্বাইদগী নুংঙাইজবা অমনা - Widow শিং, Un-married daughter অমসুং Divorced daughter শিংদা ফেমিলি পেন্সন ফংহল্লম্বা অদু নুংঙাইজে। মখোয়না হিংবগী মতেং অমদি য়াম্না চাওবা ওইখ্রবনি।

পুন্সিসিদা অফবা থবকশিং পাঙথোকপা, মতেং পাংবা লোইবা নাইদে। খ্বাইদগী হন্থবা থাক্কী মীশিংসু থেংনরি। মশাগী খনবা কাঙবুসিনি। হিংলিঙৈদা নুংশিনদ্রগা, শিরগা কপশিন্নবসু য়াওরি। অসুম্না আর এস বি ওফিস অসি মওং মরীল তাদ্রিঙৈদদি, কনানসু হন্না ফাওবা য়েংলমদে। অদুগা খরা শেল্লগা মওং তারবদি আর এস বিগী সেক্রেটরিগী চ্যের অসি ফম্নবা, ইকায়বা খঙদনা, মথং মথং হোৎনরকখি। চিরোল তৌরগা পাউ তম্বা মীশিংদু মীমাঙ থোকপা য়াবা মী অমত্তা নত্তে। মতোমতা অদুম মমি ফাওবা থল্লমদনা লোইখি।

ঐখোয় পূন্নমক ঈজৎ লৈনা হিংলমসি। মিংচৎতি লৈবা য়াবা, নিরগা পুন্সি হিংবা হৌনদে। মীখা পোল্লগা হিংদনবা, অঙম্বা থাক্তা থবক শু নোম্লগা হকচাং ফনা থল্লগা পুন্সি লেনসি। কান্নদবা থবক্তা পুন্সিগী মতম মাঙহনবীগনু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এফিদেভিটতা মীনম্বা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা বিধান সভা (১১শুবা) গী ইলেক্সন্দা ৱাংখৈ অমদি ককচীং এ সীদা মায় পাকখ্রবা এম এল এশিংনা নোমিনেসন ফাইল তৌবদা অরানবা খরা য়াওখিবদগী কোর্টকী রাইনা য়াহনখিদ্রে হায়বসি খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা, হৌখিবগী ১২শুবা বিধান সভাগী ইলেক্সন্দসু মায় পাকখ্রবা এম এল এ ৬০গী ২৫গী মথক্তা কোর্টতা কেস তৌরকপা হায়বসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা অহানবা ওইরম্বা য়াই। ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়নীংঙাইনি।

হৌখিবা চহী ৪০-৫০গী মমাঙদা দেল্লীদা, বনারসতা, মদ্রাজদা, লক্ষনৌদা, মহারাষ্ট্রদা অসিনচিংবা ষ্টেট খরদা অঙাংগী মহৈ তম্বদা টি এম ওদা পৈশা থাবদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২০-৩০নি চঙলম্মী। হৌজিক্তি খুদক্তা ফংনরে, য়ৌনরে। হৌজিক্কী মতম অসি সাইন্স, কম্প্যুটর, ইন্টরনেটকী মতমনি। নূঙগী চককী মতম নৎত্রে। মালেমগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক খুদক খুদক্তা খঙনরবা, য়ৌনরবা মতমনি। অসিগুম্বা সাইন্সকী চক অসিদা মীয়ামগী থৌগল তৌগনি, চাওখৎপা ষ্টেট, অনৌবা মণিপুর ওইহনগনি, পোলিসি মেকিং বোদিদা য়াওগনি, ভোট মমাঙদা মতম কয়া মাঙদুনা, শেল কয়া তিংদুনা, য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা ভোটকী ভিক্ষ্যা নিজরি খুরুমজদুনা, প্লেটফোর্মদা, মেনুফেষ্টোদা, এম এল এ ৱাশকপদা হায়দোকখিবা, ফোঙদোকখিবা পূন্নমক কাউশিন্নরগা, মাগী মাগী এ সীগী মীয়াম্বু নমথাক তৌবীরগা এফিদেভিটতা মীনম্বা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি হায়না লৌজে। মায় পাক্লবা অসুক য়াম্বা এম এল এশিংনা মীয়ামগী থৌগল তৌগনি খল্লগা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩২৪বু থৌওইদবা অসিসু লাইবক থীবনি।

অরোইবদা, অমুক খন্থরুরবদি ইরমদম মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদগী মকোক্তা লৈগল্লি। শান্ন-খোৎনবা, ঈশৈ নোংমাই অসিনচিংবা কয়াদা মীয়াম্না থাগৎনরিবনি। হন্দক্কী এম এল এ ময়াম্না ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু অমদি কোর্টকী রাইবু শীংনরগা এফিদেভিটতা মীনল্লগা, মাগী মাগী মীয়াম্বুসু মীনল্লগা মায় পাক্লল্লগা এম এল এ ওইরকপা অসিসু ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদগী মকোক্তা লৈবা অসিসু ইজরিবা ঐনা থাগৎতবা ঙমদে।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
তোপ অৱাং লৈকায়

## হিন্দি লোলগী মতাংদা মহৈরোয় লূপ ৬কী মফমদা থমজনীংবা ৱাফম খরা :- এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক, এইমস

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হিন্দি লোলবু ইবা, পাবা, ঙাঙবা-শকপা, লৌশিনবা ঙমদবদগী চৈ চানবা য়াওনরকপা মীওইশিং নুমিদাংগী মতমদা কাঙ্খল মনুংদা কপ্পবা য়াওনখিবদু নীংশিংলকই। পঞ্জগদৌরিবা ৱাফমসিদি হিন্দি লোল হায়বসিদি অমগা অমগা ঙাঙন-শক্লবা ঙম্ননবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা লৈনরিবা মীওই খুদিংমক্লা হিন্দি লোলবু ঙাঙন শক্লবা ঙম্ননবগীদমক্তা ইবা, পাবা খঙবা ঙম্ননবগীদমক্তা তম্নহনবীবা হায়বসিদি য়াম্নমক মরু ওইবা ৱাফম অমনি হায়দুনা ৱাফম অসিবু মহৈরোয়শিংগীতা নত্তনা মীচম মীয়ামশিংনসু হিন্দি লোলবু ঙাঙন শক্লবা ঙম্ননবগীদমক্তা তমহন্নীংই।

হিন্দি লোল হায়বসিদি মণিপুরগী ৱাংমদা চৎনরকপা মতমদা হিন্দি লোলদা ঙাঙন শক্লবা নত্তনা অতৈ লোলশিংদা ঙাঙন শক্লবা তৌনবা লৈতে। লোল হায়বসিদি অচৌ পিশক, লায়র-ইনাকখুনবা খাইদুনা তোঙান তোঙান্না লৈনবা নত্তে। ইজরিবা ঐহাকনা মপান লমদা আর্মিদা চহী ১৫ রোম লৈজরিঙৈ মতমদা থেংনজরকখিবা ঙাঙন-শক্লখিবগী মতাংদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি হিন্দি লোল নত্তনা অতৈ লোলশিং অমত্তদা ঙাঙন শক্লবা থেংনজখিদে। ইজরিবা ঐহাক্লা ইন্দিয়ান আর্মিদগী পেন্সন ফংজদুনা লৈজবা চহী ৪৪ রোম শুরবা মীওইনি।

ইরমদম মৈত্রবাক অসিদা লৈবিরিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈরোয়শিংগী মফমদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা অমুক ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা আর্মি রেজিমেন্ট থম্নদুনা নহারোল লিশীং কয়া চঙননবগী খুদোংচাবা ফংনরিবা অসিগুম্না ইরমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনসু হৌজিক লৈবিরিবা লুচিংবা অমা ওইবিরিবা মীং ওইনা পঞ্জরবদা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মনাক্তা, মহৈরোয় লূপ ৬কী মীওইশিংনা চৎপীরে হায়রগা ৱাৎতুনা লৈরিবা মণিপুর রেজিমেন্ট অমা লৈহনবীনবগীদমক্তা হায়হঞ্জনীংই। ঐখোয়বু তাকপী তম্বীরকপা আর্মিগী মীওইশিং অদুনা হায়বিরকখিবা ৱাফম অদুনা চুল্লব্রা হায়না খল্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা কোইগে হায়রবদি হিন্দি লোল ঙাঙবা-শকপা খঙবা তাই, হায়বগী ৱাফমসি অচুম্বা ৱাখল অমনি হায়দুনা হৌজিক্তা খঞ্জরকই। লোল হায়বসিদি অদুক্কী মতিক ঙাঙবা শকপা ঙম্নরগা অমগা অমগগী মরক্তা খঙনীংলিবা ৱাফম অদু য়াম্না থুনা খঙমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফম্না মৈতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনা তুং কোইনা অমত্তা ওইনা লৈহৌনবগীদমক্তা মমিং মথা ইনবিবা মতমদা মীংগী অরোইবদা সিংহ, দেবী, মৈতৈ, মীতৈ হাপ্নরিবশিং অসিবু থাপ্না লংথোকপীখ্রে হায়রগা মৈতৈ ফুরুপকী ইপা ইপু লাই হাক্তক্তগী লৈজরল্লিবা য়েক সলাই ৭কী মমিংবুনা নুপা ওইবশিংনা মমিং মথা ইনবিবা মতমদা মীংগী অরোইবদা হাপ্পীরে হায়রগা, নুপী ওইবীশিংনা লৈশারিঙৈ মনুংদা চনু হাপ্নরগা ময়ূম মকৈ পানখ্রবীবুনা লৈমা হাপ্নদুনা লৈনবিরগদি মৈতৈ ফুরুপকী মীওই ঐখোয়সি তুং কোইনা লৈহৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে হায়দু ওইনহৌগনি।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম চন্দ্র মঙাং (এক্স সর্ভিসমেন)*
থাংমৈবন্দ কাব্রবম লৈকায়

# ষ্টেটকী পাউ

## প্রাইভেট দি-এদিক্সন সেন্টরশিং য়েংশিন্নবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস):

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর মতুংইন্না সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টনা মীওই ১১না শাবা কম্মিটি অমা মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট দি-এদিক্সন সেন্টরশিং মতৌ করম্না চল্লাইরিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবগীদমক শেমখ্রে হায়রি।

দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথবা মরুওইনা ফু চৈবগী থবকশিং চথরিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা প্রিভেন্সন ওফ অলকোহোলিজম এন্দ সবষ্টেন্স (দ্রগ) এব্যুজ ২০০৯ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা খঙহনখ্রবসু দি-এদিক্সন সেন্টরশিংনা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা পি আই এল অমা ওর্দর অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌহন্নবা থাখি। মদুগী পাউখুম ওইনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা থা ৩ গী মনুংদা গাইদলাইনশিং ফ্রেম তৌনবা খঙহনখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যেরনা মমাং থাগী ২৬ তা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা চ্যেরমেন ওইরগা কম্মিটি অমা শেমখিবনি। কম্মিটি অসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদগী মমিং ওইনা পল্লবদা পুলিস দিপার্টমেন্ট, লিগেল সর্ভিস, সাইকিয়াত্রি, দি-এদিক্সন সেন্টরশিং, এন জি ওশিং অমদি সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং য়াওরি।

কম্মিটি অসিগী ওইনা মিটিং অমা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরি। মিটিং অসিদা দি-এদিসক্সন সেন্টরশিংদা লৈহনগদবা চৎন-কাংলোনশিংগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা খন্নগনি। কম্মিটি অসিগী ওইবা মিটিং অসি পাঙথোকপা লোইরবা মতুং পব্লিক মিটিং অমা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। মিটিং অসিদা পব্লিক্কী ওইবা অপাম্বা অমদি মখোয়গী ওইবা ফিদবেকশিং লৌগনি। মদুগী মতুং লৈহনগদবা গাইদলাইনশিং অদু দ্রাফ্ট তৌরবা মতুং ষ্টেট গভর্নমেন্টতা পীশিনগনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চত্তবনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ য়াম্না তোইনা তারি। দি-এদিসক্সন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা তাথি তাওইনা তৌবা অমদি ফু চৈবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীশি মীনা ফাওবা থোকপা য়াওখ্রে। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনগদবনি। সেন্টরশিং চল্লাইরিবশিংনসু য়াম্না চেকশিন্না অমদি অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## চীফ মিনিষ্টর বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাকপু তরাম্না ওক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী অনীশুবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিবু থাদৌ ইনপি, জেনরেল হেদক্বাটরনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়না অপিল তৌরক্লি।

থাদৌ ইনপি-জি ঐচ ক্যুগী সেক্রেটরি জেনরেল জেমস হাউকিপনা হিরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হয়েং কাংপোকপী দি ঐচ ক্যুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মহাক্কী লৈঙাক অসিবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কাংপোকপীদা লাক্কদৌরিবা অসিমক্লা লুচিংবা অমা ওইনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংলি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। অমরোমদা লমদম অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী লৈমিন্নরক্লবা খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি। মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী মীৎয়েং মখাদা ফুরুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদু শাগত্তুনা মপাঙ্গল কনবা মণিপুর ওইহল্লসি হায়রি।

ꯈꯣꯡꯒꯥꯡ / NOTICE

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা তাং ২৫-৬-২০২২ ইং থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০:০০ তাবা মতমদা জেনরেল বোদি মীটিং অমা Shri Sapam Keba, Hon'ble M.L.A., Patsoi A/C গী য়ূমদা পাঙথোকচগনি। হায়রিবা মীটিং অসিদা মেম্বরশিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না কম্মিটিগী মায়কৈদগী হায়জরি।

খন্নগদবা এজেন্দাশিং ঃ
১) এম. সী. এ. গী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবা।
২) অনৌবা লাইফ মেম্বর খনবা।
৩) অতৈ-অতৈ

Sd/- Sukham Dhanachandra Singh
General Secy., M.C.A.
HL-P/3033/10

OFFICE OF THE
ORGANISATION FOR INDUSTRIAL
SPIRITUAL AND CULTURAL ADVANCEMENT
Regd. No. 154/M/SR/1989

ꯈꯣꯡꯒꯥꯡ / NOTICE
Dated, The 9th June, 2022

No.5/OISACA/EXT.ORY.M/2022 : It is hereby notified to the members of the Organisation for Industrial Spiritual and Cultural Advancement Regd.No. 154/M/SR/1989, Elangbam Leikai Keishamthong Imphal that an extraordinary general body meeting will be held on the 17th June, 2022 at 1 pm sharp at the office of the society, under the guidance of the Assiatant Registrar of Societies, Manipur to revive the Association as the term of the Governing Council has expired.

Therefore, all the members are requested to attend the meeting in time.

Meeting Agenda to be discussed :-
No.1. Election of New Governing Council members.

Sd/- T. Sanajaoba
Meeting Convenor
HL-P/3034/10

ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯖꯔꯦ / নুংঙাইজরে


সুধাকর (শামু)

ঐগী ইপুরোইবগী য়েৎ থংবা কিডনীদা 4mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) হার্বেল ফিজিসিয়ন (স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোন)না হপ্তা মরি লায়েংবীরবা মতুংদা নুঙ অদু তাহনবীখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌরুবদসু উবা ফংদ্রে মসিদা ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইজরে। মতম কুইনা মীয়ামগী সেবা তৌবীবা ওইবীখো।

Sd/- ৱাংখৈময়ুম মেমচা দেবী
ৱাংখৈ হিজম লৈরক, ইম্ফাল
HL-P/3031/10,11,12

ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / চহীগী দশা য়েংজরি



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহৈ-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুথবা, য়ুম-ইস্মোল, লৌ, য়ূম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
(International Renown Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456
HL-B/7640/13/5-10/6 (alt)

ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ / মী পামজৈ

Dustbin গাড়ীগী Driver, Labour খরা পামজৈ। য়াওবীনিংবা মীওইশিংনা অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা তৌবীরকউ।


HL-P/2935/10
# 9774498987 / 6009527473

ꯐꯪꯕꯤꯒꯅꯤ / ফংবীগনি

a) Dimapur Leingoi
b) Moreh Leingoi
c) Sat Heinaba Machak
d) Pil Machin Sanjari

M/S SS Enterprises
Mobile : 7005219307
HL-P/3036/10

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক-মরক্তা চিংগে তৌরকপা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, শিংলি-নাওরি শোনবা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কাবা, থবাক নাবা, পূক নাবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক-মরক্তা চিংগে তৌরকপা অমুক ফখিবা অমুক হৌরকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, শিংলি-নাওরি শোলহনবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাক্তা চেনখৎপা, শ্বর হোনবা ৱাবা, থবাক নাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, করিমত্তা চনিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাশিল্লুবসু হকচাংদা মচি ওইদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎতবনা হকচাংদা য়াম্না ৱাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফন্বী শোনবা, খোঙয়া য়াম্না শাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, কল্লাক মরী নাবা, মসলশিং অসি চিকপা-নাবা, হকচাং অসি থিন্দোকপগুম্না তৌরগা লৈবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, নময়াং মরিন অসিসু নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* L. Romen Singh
Patsoi
HL-B/7639/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।